ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯦ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯵꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মে ২০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৫৬ শুবা মশীং

# আই আর বিগী বট্টালিয়ন হাংবা

## *কনা কনাদা সিক্যুরিটি ফোর্স পীরিবগে য়েংশিনসি*

***লৈবাক*** অসিগী মমিং লৈরবা নেসনলগী থাক্তা চলাইবা টিভি চেন্নেল অমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিগী ময়ানুপা রোবার্ট বদ্রাদা চহী ১৩ সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং পীবদু মতীক চাদে, পার্সনেল অমমমগী ওইনা চহী অমদা লুপা লাখ ১ গী চাংদা পারগা পুন্না লুপা ক্রোর ১০ রোম লৌখৎকদবনি হায়না এক্সক্লুসিব ন্যুজ অমখক শন্দোরকখি। ন্যুজ অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসনা সিক্যুরিটি পীবদু মরম চায় হায়দুনা য়েংখি। অদুগা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি খরনদি লন্নাই মীওইদা সিক্যুরিটি পীবগী মওং-মতৌ অসি য়েংশিনবা চুম্মী হায়না ফোঙদোক্লখি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা হৌজিক্লা ওপোজিসনগী লীদর ওইরিবা ওক্রম ইবোবীগী ঙাক শেনবগী থবক অসি সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ) কী কাঙবুনা তৌই। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ের্সকী মীৎয়েং মখাদা সেন্ট্রেল ফোর্স পীদুনা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা ঙাক শেল্লিবা মীওই অসি চাউরাক্লা অনীনি। হায়রিবা ফোর্সশিং অসিনা মীওই অমা ঙাক্লবা হোৎনবদা পার্সনেল ১০০ রোম্না শাবা কম্পেনি অমা চঙই। ওক্রম ইবোবী মশামক্লা মঙোন্দা পীরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মশিং অসি য়াম্মল্লি, তঙ্খায় অমা হেন্না হন্থহনবীনবা হায়বদা য়ারক্তে হায়বা ৱাফম অমসু লৈ। মহাক্তসু নত্তনা মমিং লৈরবা মীওই কয়া অমা ঙাক শেনবদা পার্সনেল ১২ দগী তাদনা শিজিন্নে। খজিক্তং হাইদোকখিবা মফমদদি পার্সনেল ৫০ ফাওবা লৈবা য়াওই। সিক্যুরিটি ফোর্স পীদুনা ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌহনবা হায়বসি কম্মিটি অমনা য়াম্না কূপ্না য়েংশিল্লবা তুংদা পীবনি। মীওই অদুদা কিহল্লকপগী চাং অমসুং মহাক্লা তংদু লৈতানা হিংবা ঙম্বা-ঙমদবগী ফীভম য়েংলগা সিক্যুরিটি পীবগী চাং অদুসু তাঙ্কক কয়া থোক্লা খায়দোকই। মমানা পোকপদগী কনাগুম্বা অমত্তনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা, বোম লংশিল্লকপা নৎত্রগা হাৎকনি হায়না কিহল্লকপা ফাওবা লৈতবা মীওই কয়া মণিপুরদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙাক শেলহল্লি। অসিগুম্বা মীওই কয়া অমদা মমাঙগী লৈঙাক্লা সিক্যুরিটি পীবদা তৌরল্লিবা মওং-মতৌ অসি কদায়ফাওবা চুম্বগে হায়বা অমুক্তং য়েংশিনবা চুম্মী।

হন্দক্তা ফিফা অন্দর-১৭ ফুটবোল ৱর্ল্ড কপকী ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা মিনি ফুটবোল ফেষ্টিবেল হৌদোক্লবা দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাঠ উনখিবদা আই আর বি বট্টালিয়ন মঙা লিংখৎনবগী ৱাফম য়ুনিয়ন কেবিনেটতা পুখৎপীনবা থাঙ্গৎখিবা ৱাকৎ অদু মণিপুর মীয়ামগী য়েংলগা অফবা মায়কৈ অমনি। মণিপুরদা ইন্দিয়ন রিজার্ব বট্টালিয়ন (আই আর বি), মণিপুর রাইফলস (এম আর), মণিপুর পুলিস পুল্লগা পার্সনেল ৩০,০০০ গী ময়াদা লৈরি। মসিগীসু মথক্তা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লমদা শিজিন্নরিবা ভি দি এফকী পার্সনেল লিশিং ১০ রোম অমসুং হোম গার্দকী পার্সনেল ময়াম অমসু লৈরি। ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্বদা পার্সনেলশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাং অসিসু মপান নাইদবনি হায়না লৌবা য়াই। অদুবু লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক্তা মণিপুরগী ওইনা মথৌ তারিবা ষ্টেট ফোর্স অসি কয়ানো হায়বদু চাউরাক্লা পুথোকমিন্নবা অমদি চঙই। মণিপুর লৈঙাক্লা নৌনা আই আর বিগী বট্টালিয়ন মঙা হাংদোকপীয়ু হায়রিবদুগী মরু ওইবা মরমদি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং ফাওদুনা চৎলিবা নেসনল হায়ৱেশিং ঙাক শেলহন্নবগীদমক্তনি। বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা বন্দ ব্লোকেদকী কলচর অমুক হন্না লৈহন্দনবা পান্দমগী মখাদা থবক তৌবা মরম্না নেসনল হায়ৱেশিং ঙাক শেনবগী তঙাইফদবসু লৈ। নেসনল হায়ৱেশিং অসিদা মশিং য়াম্লবা লালহৌলুপশিংগী কাদরশিংনা চেল্লিবা গাড়ীগী  দ্রাইভরশিংদগী লোনা য়াদবা শেনফম কয়ামরুম নমদুনা লৌরি। মখোয়গা মুক্নবদি ঙমদবনিনা য়াম্লবা শেনফম পীরি। অসুম্না লৈবাক অসিগী য়েক্নবনি হায়না লাউথোক্লিবা লালহৌবশিংগী মপাঙ্গল লোনা য়াবা মওংদা মীয়াম্না হাপ্পদৌনা তৌরিবসি থিংগে হায়বা তারবদি ষ্টেট ফোর্স থাজিনবা নত্তনা পাম্বে লৈতে। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ইম্ফাল-জিরি রেলৱে লাইন শেম্বগী থবকশিংদা অপনবা থোক্তনবা ঙাক শেনবতদা ষ্টেট ফোর্সকী পার্সনেল লিশিং ২ রোমসু শিজিন্নরি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি হৌজিকমক্কী ওইনা মীয়ামবু থবক পীবা হায়বসি গবর্ণমেন্টকী এমপ্লোইমেন্ট পীবসিনা ওইরি। অচৌ-অচৌবা ইন্দষ্ট্রি নৎত্রগা কম্পেনিশিং লাকহনবা ঙমদ্রিবনিনা মী মশিং য়াম্না থবক পীবা হায়বসি আই আর বি বট্টালিয়ন মঙা লিংখৎপসিনা ওইগনি। মখোয়না লো এন্দ ওর্দরসু ঙাকসনু অদুগা থবক ফংদবগী অৱাবসু কোক্তুনা ঈং-তপ্পা মণিপুর অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী থৌরাং অসি মায় পাকহন্নবা ষ্টেক হোল্ডর খুদিংমক্লা হোৎনফম থোকই হায়জনিংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### লীগেল এৱ্যের্নেস

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***আইন্না*** মীওইববু ঙাক শেন্দুনা থম্বতা নত্তনা খুন্নাই অমবু  শেমগৎ-শাগৎপদা ঙাকলৌ পীবনা ঐখোয় মীওইবনা লো অমদি কোর্টপু ইকায় খুম্নবা তঙাইফদে। এৱ্যের্নেস কেম্প পাঙথোকপগী পাউ তাবদা নুংঙাই। য়াম্না ফৈ। থেংবু থেংমল্লবনি। আইনগী মতেং লৌবা পামদবা মী মালেমদা লৈরল্লোই খল্লি। হুরানবা মী হাৎপা মী ফাওবদা ৱায়েলশঙদা আইনগী মতেং লৌদুনা মশা ঙাকথোকচনবা অমদি কঞ্জনবা হোৎনবা ঙাক্তনি।

খৎন-চৈনবগী, মীহাৎ মীপুনগী, হুরান চিন্থিগী, লৌরি য়ূম্ফমগী অচুম্বা ৱায়েল তৌবীনবা ফংজনবা ৱায়েলশঙদা ৱাকৎনরি। পূন্নমক অসি লীগেল এৱ্যের্নেস লৈবদগীনি। নৎলমদ্রবদি ইচা হাৎলবদি নচা হাৎকনি, ইমা হাৎলবদি নমা হাৎকনি, ঐগী নুপী ঈজৎ মাঙহল্লবদি নঙগী নুপীসু ঈজৎ মাঙহনগনি, ঐগী গাড়ী হুখ্রবদি ঐসু মীগী গাড়ী হুগনি, মীনা ঐগী লম খোপচিনখ্রবদি ঐসু মীগী লম খোপচিনগনি খন্নরল্লবদি মীওইবা খুন্নাই অসি করি ওইরমগনি? লীগেল এৱ্যের্নেস লৈবদগী মসি তৌনদ্রিবনি। ৱায়েলশঙদা ৱাকৎনরিবনি।

ৱায়েল কাঙলোন অমদি ৱায়েলশঙ অসিবু ইকায়খুম্নবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী তঙাইফদ্রবা ইথৌদাংনি। তৌবতবু অমগীবু ওইরো, অমগীবু ওইরো কেস অমা চথবদা মপা হাক্তক্তগী, মচা হাক্তক ফাওবা লোইদবা থোক্লগদি লীগেল এৱ্যের্নেসকী চন্নফম হংনীংঙাই ওইরক্কনি। চিন্না লিগেল এৱ্যের্নেস পীবদগী থবক্লা খূৎনা পীরবদি মীয়াম্না ৱাখল তাবা হেনবা য়াই। কেস মতম য়াম্না চঙবা চঙদবা হায়বসিদা উকিলশিংগীসু চাউরবা থৌদাং লৈতবা নত্তে হায়জনীংই।

*অদোমগী - লাইশ্রম বিরজিৎ সিংহ*
*কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১। ‘‘বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্না কপ্না লোইখিনি/নূংদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি।’’ কবি কনানা হায়বনো?
২। ‘‘কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।’’ পরেংশিংসি ‘মঙদসু তাইবঙদসু’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?
৩। ‘‘পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।’’ পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। প্রেমচন্দগী ‘সপ্তসরোজ’ বু মণিপুরীদা ‘থম্বাল তরেৎ’ হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?
৫। নৈন-ৱারেং ‘শৈরেংদসু ৱারেংদসু’ হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম  মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা  খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ফনবু ফজনি অদুম তৌরবদি

## ৱাইরু ৱাইরুবদা




***পংকুই*** কুইদ্রি, লোইশঙ অমদনি, চে-চাং অমা থাজিনবা চঙলুই। মদুদা মানা লুপা ৫০০ থনম্মু হায়না হায়। লিপষ্টিক তৈরবী ফজরবী চীম্বাল অদুনা হায়রকপনি। অদুসু য়াম চীং লেম্না। মমায় অদু ইকায়বা শুকনাই হেক নাইদনা। ইকায়বগী মমি অমত্তা হেক তাদনা। মীতৈ নুপীনি। মীতৈ নুপীগী ইকায়বা থীবা ৱা অমা হায়বদা মমায় ঙাংশিনবগী মতৌগদু উদ্রে। পান দুকান ফন্বী অমনা ক্বা তপ্না তপ্না ক্বা মমল হায়বদা মমায়দা ইকায়বা মচেৎ অমত্তা হেক পোক্তবীদা হায়বা অদুম হায়না। মানা নুমিৎ অদুদা অরাক অরাকপা মী খুদিংদগী লৌহৌবা শেল অসি কয়াদি হেক য়ামখ্রে। নুমিদাংৱাইরম ময়ূমদা হনবা মতমদা মাগী বেগ অদু শেল হাপ্পা চল্লমদৌগা হেক মান্দে। মাগী নুপানা হায়বদি মপুরোইবনা হরাউজরমগদবা অসিদি নোকচরমগদৌবা অসিদি। ঈকা ঙানা ঈন্দা জোরো জোরো চেনশল্লগা ফাবৌঙা ময়াম্না লকপা অসিদগী হেনখি। কনা অমত্তনা করি অমত্তা হায়দে। ঐসু চামঙা পীথোকপা পামদি পাম্মুখি। অদুবু মানা হায়বদুদা অয়েৎ অপন অমত্তা পীদনা অদুম মখূৎবাক্তা গিৎ নমশিন্দেদা খাক্লা পীরুই মতা অমনি। তাইবঙপাল অমনি ঐখোয়গী কংলৈপাক অসে।

ঐদি মীৎ য়াম নাখি অদুবু পীখি, খোয়দৌ শাউগৎ শাউগৎনা । মমাঙদা ৱিংগর তোংবদা লুপা অনী হনবা ৱাৎপগীদা ঐগী লুপা অনীদু হনবীরো হায়রুবদা চৎমিন্নরিবা ইমান্নবশিং অমদি মখোয়গী নুপী অঙাং ময়াম্না ঐঙোন্দা ৱা লাউনা নোকশিনবীখি। ইমান্নবশিংনা লীকই হায়না ফাগী তৌই, মখোয়গী নুপী নুপীশিং অদুসু ঐবু য়াম্নমক চাওখৎতবা লুপা অনীফাওবা হেক কূপশিনবা ঈজৎ লৈতবা নুপা অমা ওইনা উখি। লাকমিন্নবা, লৈমিন্নরিবা মখোয়মক্লা ঐঙোন দা ফাওবা ময়াম ওমশিন্দুনা চগৎ-চগৎ, পে-পা, পে-পা নোক্লবিরবা লাংফম অদু য়ৌরবদদি ঐ অদুম মায় ঙাংলে। নমদনা লুপা অনী হন্দোরক্কদবা অদু হন্দোক্তনা চৎখ্রে। ঐগা চৎমিন্নরিবা ময়াম্নবু লাই য়াওখ্রে মখোয়গী মরক্তা অমনা নঙ তাদনা হায়রিবা ৱাসে চুমদ্রা, লুপা অনী অদু হৌজিকমক হন্দোক্লম্মু হায়বীদে। য়ামদবা শেলনি হায়দুনা ময়াম্না য়াম্না ইকায়বা পীবগী মওং অমসু লাকখি, লাল্লিবনা মখোয়, অরানবা তারিবনা ঐ। ঐসু পুকচেল চাউবা শাদুনা তুমিন অদুম লৈহৌরে। হায়রিবা কোরৌ নোং অদুদগী ঐসু হায়নীং হায়নীংবা ৱা কয়া অঙাওবা তারদ্রা মীনা তৌনদবা হায়নদবা ৱা হায়বা তারদ্রা হায়দনা তুমিন অদুমক লৈবা হৌখ্রে।

অদুবু হন্দক ইকায় খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন সিংহগী লৈঙাক অমা হেক্তা ফুং ফাওদোরকখিবগা ঈরোইননা এন্টি-করপসন সেল হায়দনা ইমা পোকঙৈ অহানবা ওইনা উবা ফংজরে। শেলদা চোপলম্মী হায়বগা মরী লৈননা থৌমী খরা মথৌ লেপহনখিবগী পাউ তানরে। থোইদোক্লা শেল থুমদা কা হেন্না চোপ্পা মী থেংনরবদি ফোটো কাপ্তুনা, খোঞ্জেল রেকোর্দিং তৌদুনা নৎত্রগা ভিদিও থাগৎতুনা অরানবা তৌরিবা মীদুগী মায়োক্তা ৱাকৎফম অমদি লৈরে। হান্নবা ৱাকৎফম লৈতবনি, হৌজিক্লা ৱাকৎফম অদু লৈরে। কয়াদা নুংঙাইরবনো? করপসন তৌদ্রে হায়বগী করপসন তৌবগী পাউ লাকহনবীদবসু ওইসনু। লোয়ননা হায়রিবা সেল অসি খুদক খুদক্তা থবক পায়খৎপা অমদি তুং কোয়না চৎপা বোদি অমগা ওইক্লগদি ঐখোয়  লোয়না শক ফজথোরক্কনি। মায় নাল্লক্কনি, নহা ওইথোরক্কনি, করপসনগী মৈশানা ৱায়বদা ঐখোয় লোয়না কাহৎলে। শক থীজল্লে, হনুশিল্লে। শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা মীওই পূন্নমক নুপী অঙাং ঈজৎ মাঙহনবা মীশকশিং চৈরাক ফংহনবা ঙমদবা অদুম্না তোকপদি পামজদে। পীবা তারবদি চৈরাক অদু মীয়াম খঙনা লাল্লেকাইনা কেবল টিভিদগা মথং মথং ভিদিও অদু কাপথোক্তুনা থাবীরকউ অসিনি। মসিতনা থম্মোয় পেল্লগদবনি। অদুগা মানা মানা পায়রম্বা থবক শিনফম অদু সস্পেন্দগী মথক্তা টর্মিনেট তৌরগা কাহৎলবা থম্মোয় অসে য়েনিং চোংদৌ মাল্লি। য়াম পেন দবগী হায়জরবনি।

মসিগীসু মথক্তা লোইশঙ খুদিংমক্তা ঐখোয় শেল চাজদে হায়না চে থেৎপীবা, ঐখোয় য়ূমদসু ওফিসতসু শেল চাজদে হায়না কর্ম্মচারি (শিন্মী/থৌমী), মিনিষ্টর, মীহুৎ খুদিংমক্কী থবাক মপাদা বেদজ অমমম থেৎপা অসিসু য়াম দরকারনি। সাড়ী শেৎপী নুপী কর্ম্মচারিশিংগী সাড়ী মথক্তা অদুম্বা বেদজ অমমম থেৎলবদি ফনবু ফজনি, নুপাশিংগীসু মাগী মাগী ফুরিৎখাও মথক্তা ঐ শেল চাজদে হায়না ময়েক শেংনা থেৎহনজবা পামজরে।

# অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা করি লৈবা -৪

## নবকুমার ওইনা

***অপূনবা*** হায়বসি কদায়দগী কদায় ফাওবা পূনগদৌবনো? ঐখোয় লৈকায়দগী য়ুনিভর্স পূম্বা। মদুবু ওইবা য়াবা ৱারা? ওইবা য়াদবা ৱাবু লৈবরা? য়াদবা হায়বা লৈতে, হান্নবা পূল্লগা লৈরম্লবনি। পূনবা য়াদবা মাল্লিবসি শা-ঙাদগীদি মীওইবনা হেনগৎলক্লি। খৎনবা, হাৎনা-শুনবসি মালেমসিদা মীওইবখক্তা ওইরক্কদৌরি। ঙা অচৌবনা ঙা মচা হাৎপদি মচিঞ্জাক ওইননি, লান নত্তে। মীনা মী হাৎপদি লান তৌবদি হকথেংননা চাবগা মরী লৈনরক্তরে। মীওই খরগীদি হৈনবী ওইনা শারমচৎ অমগুম থাদোকপা ঙম্নদ্রবগুম তৌরি।

মীওইবনা লান তৌনরিবসি চাবা-থকপা, লৈফমগী, য়ূমগী মাল্লক্তরে। মাগী মাগী কাঙলুপ শন্দোকপগী ৱাখল্লোন অমনা লিচিং ওইরিবগুম তৌরি। মীওইববু মীনি মান্নে হায়না লৌবা ঙম্নদবা মাল্লি। মী মরক্তা ঐগী-মাগী হায়বা ৱাখল কাউবা ঙম্নদবনি। মীওইবগী ৱাখলসি মাগী মাগী শাজৎনা লিচিং ওইদুনা পুখিবগুম তৌনরি। লৌশিং হায়বা অমা শাগৎপদা কদায়দগী লৌরুরিবা ৱাখলনো হায়বা অমা থোক্লকই। অহলশিংনা তম্বীরম্বা মতমদা লানবা ওইরগনা অহল ফত্তবা হায়বা তারকপদুনি। মপাগী মচা উগী মহৈ হায়নরি। ঐখোয়গী অরিবা ইপা-ইপুদি লম্লক্তা লৈরম্বা শাদা-শানি। অদুগুম্বা ইপা-ইপুদুগী তুং ইন্দুনা অদুম লৈগদরা? ৱাখল-লৌশিং পাকথোকপা ঙম্নদবগী ওইফম থোকই। ৱাখল লৌশিং হেনগৎনবা লাইরিক তম্নরকইবনি। লাইরিক্লা লাল্লগা মী হাৎনরকই। লাইনা চুম্লবসু তুং ইল্লিবা মীশিংদি চুম্বা ঙম্লক্তরে।

চারিবা চিঞ্জাক্লা খল্লিবা ৱাখলগা মরী লৈনরকই হায়বসি য়ু থক্লগা ঙাওরক্লবা, দ্রগ চারগা ঙাওরকইবা অসিনা খুদম ওইনা লৈরবা ৱাফমনি। মী হায়বা শাসি অহল ওইরক্লগা শিখিবা অনৌবা ইচা-ইশু পোক্লরগা মথং-মথং মহুৎ শিল্লগা মালেম অসিদা লৈহৌগদৌরিবনি। অনৌবা মীরোলদা ৱাখল লৌশিং শিন্নরম্বা অসিনা হেন্না মরু ওইরক্লি। ইচা ময়াম পোকপবুদি ৱাখল পরিং তাবা ৱাফম অমতং চনিং তানা শন্দোক্লম্বনা শরুক চাম্মা-চাম্মা হেল্লি হয়নবদগী লাইনীংশিং শন্দোক্লরি। অরিবা মীনদি লাইনীং কয়া শন্দোক্লম্মী, অনৌবা মীরোলনদি লাইনীং লম্বীশিং ঙাক্লা চৎপশু ঙম্নদ্রে, অনৌবা হেন্না ফবা লাইনীং অমা শন্দোকপশু ঙম্নরক্তরে। লাইনীং ময়ামসি তিনশিন্নবা হোৎনবা কয়া লৈরে, মপূং ফানা মায় পাকপদি ঙমদরি। লুরিবা, নোক্লিংলিবদি লাইনীং অমা চৎপা কাঙলুপ্না অতোপ্পা লাইনীং অমবু হন্থনা খনবা, লানবগুম্না লৌবা ঙম্নরি। লাইনীং অমগী তুং ইল্লগা লাইগুম্না খনবা য়াওনরবগুম তৌরক্লি। মসিমক্তি লাইনীং হায়বসি করিনো খঙদ্রিবা, লাইনীংবু শা-ঙাগী শাজৎ ওইনা শীজিন্নরকপনি হায়গনি। মী হাৎপবু লাইনীংগী শাজৎ ওইনা লৌনরক্লি। মীওইবা খুন্নাইগী য়েক্লবা ওইরক্লবদি শিবগী চৈরাক পীবা য়াই হায়বসি লাইগী ৱায়েন্দসু য়াওই হায়বনি। থৌওইনা মীওই অমা নুংশিদ্রগা মাগা মান্নবা কাঙলুপশিং য়েক্লবা ওইনা লৌবা, মী অমনা লাল্লগা মাগী ইমুংগী মী পূন্নমক অৱাবা তাহনবা হায়বসি মীওইবগী শাজৎ ওইরোইদৌবদা য়োকখৎনদুনা লৈবা য়াওনরি। শা চাবা খুদিং শাহিং চাবা শা ওইগদৌবনি হায়বদি লৈতে। অদুমক মী হাৎপা ঙম্নবা ইচা-ইশুশিংদা তম্বীবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবনি হায়না লৌনরিবনি। মখোয় খরদি হাৎপগী অয়াবা লাইনীংনা পীরি খনবদগী লান তৌনদুনা হাৎনরক্লি। ৱাথোকশিং অসিদা মীওইবা খুন্নাই অসিবু মশক থিহল্লি। মীওইবগী চাওখৎ খোঙজেলদা অপনবা পীরি। মরাল লৈজদবা মীওই মিলিয়ন তরুক লৈফম চাফম খঙদনা কোয়চেন চেন্নরি। লাইনীং শন্দোক্লল্লিবা লাইশিংনা মীওইববু মালেমদগী মুৎখিনবা শিল্লম্বগা মান্নগদৌরি। মদুমক্লা ওইরম্বা য়ারিবা অমদি মফম খরদা লাইনীং হায়বসি তোক্লখিবা য়াওরি। লাই অমদা থাজরগা লৈহৌবা হায়বসি ৱাখল থেলহৌবা ওইরক্কদৌরি। চুম্না ইন্নবা ঙমদ্রবদি লাইনীং খুদিংমক থাদোকপনা ফরকই হায়বনি। খঙবোই-খঙদবোই লাই নীংনরিবমখৈ অপূনবগী শক্তম শাগৎপা ৱাগদৌরি হায়বনি। মীওই খরনা তোক্লরবা লাইনীং হায়বসিগী মরমদা ঙাওনবা ফত্তে, ঙাওনগুমসি হায়না থিংজিনবা য়াওনরক্লি। মসিমকসু লাই শারগা অওম্বা শকপা য়ানবা হায়বসু ওইবা য়ারিবনি। খুদোংচাবা লৌরগা মী নমথবা য়ানবা ঙাওবা ৱাঙাঙ চিংই। লাইনীংগী মিংদা কাঙলুপ শন্দোকপা য়ানবা লাইনীংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবনি। কাঙলুপ শন্দোকপা তোক্ল বগীদমক লাইনীং শন্দোকপা তোক্লবা তারক্লি। লাইনীং হায়বসি মপূং ফানা করিনো খঙদনা লাইনীং অমগী মিচংদা শিবা কিদনা মী হাৎনরকপা হায়বসি লাইনীং অমত্তগা মরী লৈনরক্তবনি হায়গনি। লাইনীং হৌদোক্লম্বশিংনদি মালেম অসি ইংনা চিক্লা লৈবা য়ানবনি হায়রম্বনি। ঙসিদি লাইনীংশিং অসিনা মালেমসি মচেৎ তানা থুগায়বা হায়দুমক থোক্লবা তুং ইল্লিবা লাই থাজবনি হায়বশিংনা চথরক্লি। মরম অদুমক্লা মিৎয়েং অমদা লাইনীংশিং অসি শন্দোকপা তোক্লরগদৌবনি হায়বসি খঙনরকপনি। লমদম অসিদা লাই থাজবশিংনা অকল অরিং শিংনরক্লিবসি পাউ অনৌবশিং অসি তানবা ৱাৎপগী ওইবসু য়ারি নৎত্রগা লাইনীংশিং অসিগী মরমদা মপূং ফানা খঙবা ঙমদবা ওইফম থোকই। নাকল অমদনা কাঙলুপ ফুরুপ শন্দোকপদা লাইনীং শীজিন্নবনি। লম কোয়বা চৎপা ওইরবদি লমদম খুদিংদা লাইনীং অনৌবা শন্দোকপা চৎনদে। লমদম অসিদা লাকখিবশিংনা থৌওইনা লাইনীং শন্দোকপা লাকপগুম্না তৌরি। হান্না লৈজরম্বা মীশিংগী লাইনীংগী মায়োক্তা থবক কয়া চথখি। মসিমক অপূনবগী শক্তম শাগৎপগী মায়োক্তনি হায়গনি। মীগী লমদা লান তাশিনবনি। মীগী লমদা চঙশিল্লগা অকল-অরিং শিংবা হায়বসি মী খৎনবা হৌবনি, মঙফম থিবা ওইগদৌরিব্রা? লমদমসিগী মায় য়েংদবনি।

লমদমসিদা মী লৈরমদ্রবরা? করি তৌরিবগে? অনৌবা চঙলকপা মী মানবনা অয়াম্বা ওইনা উরি। মদুমক্লা ওইবা তারি লমদম অসিগী মিংথোন, লোন অসিগী মমিং, মীয়ামগী মিংদা লোনয়ানগী লোনয়ান ঙাক্তা ওইরি। চহী চাম্মা অসিগী অহৌবদা চঙলকখিবা ৱাখল্লোন, চাম্মা মপূং ফারকপগা থাদোক্লবা হৌরক্লিবসিনদি অরানবা খোঙথাং অমদা চঙশিল্লুরে হায়বনি। অহোঙবা অমদা পুরকপা হায়বসি হান্নগী অমদা হঞ্জিনগদৌবনি হায়বা লৈতে। মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা মীওইশিংগী ৱাখল পরিং তানা অপূনবগী থৌদাং লৌবা তারক্লি। থৌবু লৈতবগুম নাট ফাওবা পুমচায় চায়না ওৎখায়নরগা অপূনবগী শক্তম শাগৎলিবনি হায়না ঙম্না-ঙম্নবা মাগী মাগী মায়কৈদা পুবা তান্নবদি অপূনবগী  শক্তম শাগৎপা নত্তে। অপূনবগী ৱাখল্লোন তুংওইনবশিংগী খোঙথাং খরদি হন্নরবসু মীরোল তাদনা কাঙলুপকী মিংদা, লাইনীংগী মীংদা অপঙবা ফুদোক্লবা হায়বসি লান অমগী শেম শাবনি হায়গনি। লাইনীং অমা ইন্নবা, কাঙলুপ অমা শাগৎপা হোৎনবদা পূনবা য়ানদবা হায়বসি অপূনবগী শক্তমদু থুগায়বনি হায়বসি খন্থনবা ৱাৎলম্বগী খুদমনি। লমদম অসিদদি মাগী মাগী ফুরুপকী খন্নবদা চহী লিশীং-লিশীং অপূনবা অমগী শক্তম শাগৎপগী থৌদাং লৌবা ঙম্ন হৌদ্রবগুম্বনি। মহৌশা-মহৌশাগী মান্নরম্বা নাৎ, লোন অমসুং জেনেটিক্কী মান্নবশিং অসিগী মরক্তা অপীকপা ৱাখলগী ৱাথোক কয়ানা ইমুং মনুং খৎনবগী ৱাথোকশিংনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপসু থেংথহল্লম্বনি। অমনা-অমনা হায়জিনবদা থাজবা হেঞ্জিন্নখিবদগী, মীগী মীচংদা শিবা-নাবা কিদবমখৈ ৱাখল লৌশিং লৈরবগুম ঙাওবা শকপা ঙম্নরক্লি। চাবা-শেৎপা  ফংদনা লৈনরুবগুম, চাবা থাকপীবা মীগীদমক শিবা কিরক্তবা থাক অমদা চঙশিনখ্রবনি হায়নরক্লি। মদুমক ওইরম্বা থোক্লবদি চনিঙ তাবা শাজৎ অমদি ওইরোইদৌরি। ঙসিদি মশাগী শক্তম শাগৎপা ঙমজদবা ফুরুপশিংদি শিংথানবা ৱাৎনবা উরবনি। কুনমাথোইশুবা চহীচাদা ইশাগী হান্নগী নাৎ লৈনা-লৈনা মীনা থৌজিনবা, ইনশিনবা থৌশিল কয়াদা খুদুং ইনবসি মশাগী শক্তম থুগায়জবনি হায়বসি খঙনরবা মতমনি। ইশাগী অরৈবা লৌশিং শীজিন্নদুনা ইশাগী লৈজরিবা নাটকী মচাকশিং তাশিন-খোমজিন্দুনা শিত্তোক নান্থোকপা ঙম্নরগদৌবনি।

ৱাখল অসিমক কুমজা ১৯৭২ দগী খনবা হৌখিবনি। লম্বীদনি, নাগা-হোষ্টাইল কল্লি হায়নরিবা মতমনি, খাগী শেৎপা পুলিসশিংদু ফাওবা অঙাং ওইনা কিবা ফাওখি। মখোয়গুম্বসি ওইগনি খনখি। ঙাওবা শকপা অমত্তা তপ্না ঙাওদে। লাউবগা-থৎপগা চৈ অমসু পায়, গাড়ী মনুংদা চঙলকই, করি-করিনো য়াম্না হায়রম্মী। করিসু খঙদে, মী খরদি চিংথখি, হাৎকদৌরিব্রা খল্লম্মী। করি-করিনো পোৎ খরা য়াওবগী ওইরম্মী। কুমজা ১৯৭৭, দিসেম্বরদা শিরুই মনাক্কী লাংদাং খুন্দা খৃষ্টমাস য়াওই। ইপা হনুবদু ঙসিদি লৈরম্লরোই। নুংশিরকই য়াম্না নুংশিরকই, ঙসিতা ৱারী শান্ননীংলকই, কাউদ্রি, ‘নাগানি নাগানি হায়য়ু, য়াদ্রগা শিঙজংনা ককপনি।’’ ঙাওনরিবসি লোন অসিদনি। ইপা-ইচা কায়নবা তাবরা? চৈনা খুদিংমক থম্মোয়দা ফাওরকই। কুমসি চহীগী রেকোর্দ লোইদ্রিঙৈদনি, ইচানুপীনা মপান্দা লাইরিক তম্বদা খঙনবা মনাওনুপী অমনা ফোন তৌরকপনি। ৱারীগী লোইশিল্লকপদা ব্লোকেদকী পন্নরুবনি, ‘‘নখোয়গীসি য়াম্না ফৎত্রেদা’’ হায়রুবনি। ‘‘চেচে, মখোয় খরনা তৌজবনি, ঐখোয় লোয়নমক মখোয়গুম্না লৌবিগনু’’ হায়রকখিবনি। ইচানা হেক তম্বগা মওল-মওল খনবা হৌরকখি, লাংদাংগী ইপাদু খঙনীং নীংশিংলকই। ঐখোয়না করিনো অমা লান্না থাজরুরবা মাল্লি।

মতমদু সী এম, সুরহোজেলি লিজিটশু পোক্লল্লগনি। ঙসিদি কাউবা য়াবা খরা কাউনরসি হায়রগা কাউখ্রবা কয়া’মা অমুক নীংশিংহল্লে। কোলেজ হোষ্টেলদা লৈমিন্নবা তাঙ্খুল ইমান্নবশিং কয়া অহিং তূমদনা মরৈ য়েৎনখি, মখোয়না শাওবা কয়া য়াওখি, ঐখোয়না য়াদবা কয়া য়াওখি। শন্দোক্লা খঙহনবা ঙম্নদবগী ওইগনি। মীওই মঙা-তরাগা ৱারী শান্নরগা ঐখোয়না তাঙ্খুল পূন্নমকপু চপ মান্ননা লৌরুরে। অদুম্না থাজরুবদগী ঐখোয় খরনা ঙাওবা য়াবা ঙাওলুরে। ইচানুপীদুনা হায়বদু খন্থরুদবা ওইরম্লে। নাগা পূন্নমপু হোষ্টাইল ওইনা লৌরুরে। ৱাখল অদুমক্লা তৌবা য়াবা থবক থৌরম কয়াদি তৌহৌদ্রে। খৎনরবগুম য়েক্লবা ওইনা লৌনবা য়াওরুরে। লৈবদি লৈমিন্নরিবনি, য়ূমথংনরিবনি, য়ারেকমিন্নরিবনি, চারৌ-মৌরৌনরিবনি, লেপ্পা নত্তে। করি-করিনো পাঙথোকহৌদ্রিবশিংদো, ঙসিদি অমুক ফুক্কৎপা ঙম্নবা তূমদা হিপ্তুনা পাঙথোকপা তারক্লি।

খঙলমদবা অসিমক্লা অদুগুম্লবা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা থেংথখিবা ওইগনি। হায়নগদৌবা কয়া হায়বা ঙম্নহৌদ্রে। মরম কয়াসু লৈসনু, হায়নগদৌবা, হায়নফম থোকপা কয়াসু হায়নহৌগদৌবনি। ইমুং মনুং ওইনা ৱারী শান্নহৌদ্রবরা, য়েক্লবা অমনা য়েক্লবা অমদা ঙাওনবগুম ঙাওনখ্রবরা? শাওনবা য়াবা নহা ঙাক্তা থাদোক্লগা ঙাওনহনখি হায়গদৌরিব্রা? মতমগী মতুং ইন্না ৱারী-ৱাখোঙ মমুন ফাদবগী থেংথরকখিবসু ওইবা য়ারিবনি। ঙসিদি কাউবা য়াবা খরা কাউনরবসু পূক্লিং নুংশিবদি হেনগৎনরক্লি।

করিনো অমদি ৱাৎখ্রে, ঙসিসু ৱাৎলমখিগনি। ইদোম খনবনা য়ারোই, পূন্না খন্থমিন্নগদৌবনি। ঐ অমনা লোয়না খঙবা ঙল্লোই। মীয়াম অমনা খন্থমিন্নগদৌবদু ঐ অমনা খনবা শাবসু য়াফম থোক্তবা লৈগনি। মীয়াম্না খল্লগা লাক্কদৌবা ৱাদু ঐ  অমনা অখঙবা শারুবসু লানবা লৈগনি। ৱাহং কয়ানা ৱাখল মচিন তুমহনবা তারক্লি। ঐখোয় পূন্না ৱাখল খন্থমিন্নরবদি তপ্না তপ্না পূনবা হৌরক্লবনি। পূল্লম্লিবনি, পূনখিগনি।

নুংঙাইরিবদি ঐখোয় ৱেষ্ট-এসিয়া হান্নদগী পূন্দুনা লাক্লিবা ঈ মরীনি। ঐখোয়বু ৱাহল্লিবসি মরক্কী শাফু কয়ানা চায়খায়খ্রবা ঐখোয়গী ৱাখল্লোন অদুনি। পূন্দবগুম খল্লিবশিংসি পূন্না ৱাখল খন্থনবা ঙম্ন হৌদবগীনি। ৱাখল খন্থবদা লাইরিক তম্বা চঙই, ফমিন্নবা চঙই, ইশানা ইশা শক খঙনবা চঙই, অকোয়বদা লৈমিন্নরিবশিং শক খঙনবা চঙই। ৱাঙাঙ চুম্বা তারকই।

করিগুম্বা খরনা খঙদবদগী থোকখিবনি হায়বসিসু কাউবা য়াদবা অমনি। অরানবশিং কাউখিবদি য়াগনি নুংশিনরকখিবা ইপা-ইপুগী হৌরকফমশিংদুদি কাউবা ঙম্নরোই। নুংশিনরবদি কাউবা-কাউদবগী ৱাসু কাউখ্রনি। লাইনা শিল্লক্কদৌবদি নত্তে।